# চাইনাগা লৈনরিবা মরুওইবা মরীশিংদা শোকহনবা পামদে হায়না ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ু এসতা খঙহনখ্রে



ৱাশিংটন, জুলাই ২৯, (এজেন্সি) :
য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং নকশিন্নবা মীচং লৈবাক ওষ্ট্রেলিয়াগী মরক্তা চাইনাগী মতাংদা অৱাংবা থাক্তা ৱারী শান্নখিবগা লোয়ননা রুলশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা গ্লোবেল ওর্দর অমা পুরকপগী ৱাফম য়ান্নখ্রে। তৌইগুম্বসুং ৱারী শান্নবদুদা শরুক য়াখিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টরনা কানবেরা অমসুং বৈজিংগী মরী মরু ওই হায়রদুনা নাকল অনীগী মরীদা শোকহনবা পামদে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এস সেক্রেটরী ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিয়ো অমসুং দিফেন্স সেক্রেটরী মার্ক ইস্পরনা ৱাশিংটনদা মখোয়গী ওষ্ট্রেলিয়াগী লেংমান্নবশিংগা নুমিৎ নীনি চুপ্পা ৱারী শান্নখি। ওষ্ট্রেলিয়ন ওফিসলশিং অদু কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক অমসুং হনখিবদা চয়োল অনী ক্কারন্টিন তৌবগী ফিভম লৈনা লৈনা তঙাইফদনা ৱাশিংটনদা ৱারী শান্নবা লাকখিবনি। লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পাঙথোকপা জোইন্ট ন্যুজ কনফরেন্স অমদা পোম্পিয়োনা ওষ্ট্রেলিয়াবু চাইনাগী প্রেসরগী মায়োক্তা চেৎনা লেপ্পগীদমক্তা থাগৎপগা লোয়ননা ৱাশিংটন অমসুং কানবেরানা চাইনানা মফম কয়া ক্লেম তৌবা লৈরিবা সাউথ চাইনা সিদা রুল ওফ লো চৎনহন্নবা মখা তানা খুৎশম্নানা থবক তৌমিন্নখিগনি হায়খি।

চাইনাগী থৌওংশিং অদুনা লদম অদুদা অতৈ লৈবাকশিংগা উংখৎনবগী ফিভম লাক্লিবনি অমসুং নেভিগেসনগী ফ্রিদমগী মতাংদসু লৈবাক কয়াদা নুংনাংহল্লিবনি হায়না মখোয়না ফোঙদোক্লখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর মারিসে পাইননা হায়খি মদুদি, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা রুল ওফ লো চৎনহনবগী মতাংদা মান্নবা অচেৎপা ফিরেপশিং লৈ অমসুং হোং কোংদা চাইনানা মীয়ামগী ফ্রিদমশিং লাকশিন্নবা হোৎনবগুম্বা লৈবাক কয়ানা রুল ওফ লো অমসুং ফ্রিদমশিং খোঙ্গাওনবগী থৌওংশিং চথবা কয়া লৈরিবসি য়েংশিনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না মখোয়না নৌহৌননা য়ান্নখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খি মদুদি, মহাক্কী লৈবাক্না বৈজিং নত্রগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা হীরম খুদিংমক্তা য়ান্নবগী ৱাফম লৈতে। চাইনাগা ঐখোয়গা লৈনরিবা মরীসু য়াম্না মরু ওই। অসিগুম্বা মরী অসিদা শোকহনবা পামদবতা নত্তনা ঐখোয়গী অপান্বগী মায়োক্তা লাক্কদবা থবকশিংসু ঐখোয়না তৌবা পামদে হায়খি।

# জিম্বাবৱেনা অঙৌবা লৌমীশিংদা দোল্লর বিল্লিয়ন ৩.৫গী কম্পেনসেসন পীবগী ৱাফম য়াখ্রে



হরারে, জুলাই ২৯, (এজেন্সি) :
অমুবশিংগী ইমুংশিং নৌনা খুন্দা লৈতাহন্নবগীদমক্তা গভর্ণমেন্টনা লম মুনবিখ্রবা অঙৌবা লৌমীশিংদা কম্পেনসেসন ওইনা দোল্লর বিল্লিয়ন ৩.৫ পীবগী ৱাফম জিম্বাবৱেনা য়ুমশাকৈশা নুমিৎতা য়াখ্রে।

ৱারেপ অসিনা রোবার্ট মুগাবেগী মতমদা লৈখিবা লৈবাক অসিগী মীয়ামগী মায়োক্তা খ্বাইদগী হেন্না নাকপাক তান্নহল্লিবা পোলিসিশিংগী মনুংদা অমা ৱারোইশিন পুরকপগী মায়কৈদা মরু ওইবা খোঙথাং অমা থাংজিনখ্রে হায়রি।

কম্পেনসেসনগী এগ্রিমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না অফ্রিকাগী খা থংবা লৈবাক অসিগী শেল-থুম মতিক চানা লৈতবনা মরম ওইদুনা কম্পেনসেসন পীনবগীদমক্তা লৈবাক অসিনা লোং টার্ম বোন্দশিং ইশু তৌবগা লোয়ননা ফন্দ মরাং কায়না শেমগৎনবা লৌমীশিংগা লোয়ননা পুন্না ইন্টর্নেসনল দোন্নরশিংদা হায়জরবা য়াই।

চহী ২০ রোমগী মমাঙদা মুগাবেগী গভর্ণমেন্টনা কোলোনিএল পোলিসিশিংনা থোকহনবা লমগী মতাংদা থোং মান্নদবা লৈরম্বা কয়া কোকহন্নবগীদমক্তা তঙাইফদনা লৌখৎলকপা খোঙথাংনি হায়রদুনা অঙৌবা লৌমী ৪,৫০০ মখোয় মখোয়গী লমশিংদগী নম্ফু দা ইভিক্সন তৌদুনা অমুবশিংগী ইমুং ৩,০০,০০০দা লম য়েন্থোকখিবনি।

প্রসিদেন্ট ইমর্সন মনাঙাগ্বাগী কেপিটেল হরারেদা লৈবা ষ্টেট হাউস ওফিসতা খুৎয়েক পীনখিবা এগ্রিমেন্ট অদুনা অঙৌবা লৌমীশিংবু ফার্মশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরগা মরী লৈননা কম্পেনসেসন পীগনি, তৌইগুম্বসুং লম মাংখিবগী ওইনদি পীরোই হায়বসি উৎলে হায়রি।

লৌমীশিংনা চহী অমগী মতুংদা কম্পেনসেসন অদু চাদা ৫০ ফংগনি অমসুং ৱাৎহৌরিবা শেনফম অদুনা চহী ৫গী মনুংদা ফংগদবনি। ফাইনান্স মিনিষ্টর মতুলি নকুবে অমসুং এক্টিং এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ওপপা মুচিমুরি-কাসিরিনা গভর্ণমেন্টকী মহুৎ শীন্দুনা এগ্রিমেন্ট খুৎয়েক পীখি অমসুং লৌমীশিংগী য়ুনিয়নশিং অমসুং ভেল্যুএসনশিং লেপ্পদা মতেং পাংখিবা ফোরেন কনসোর্টিয়ম অমনা অঙৌবা লৌমীশিংগীদমক্তা এগ্রিমেন্ট অদুদা খুৎয়েক পীখি। জিম্বাবৱিয়েনশিং ওইনা ঐখোয়না মতম শাংলক্লবা ইশু অসি ৱারোইশিন পুরক্লবা লেপ্লে হায়না অঙৌবা লৌমীশিং রিপ্রাজন্টে তৌরিবা কম্মর্সিএল ফার্মস য়ুনিয়নগী এন্দ্রু পেসকোনা ফোঙদোকখি।

# চাইনিজ মেনলেন্দদা অনৌবা কোভিদ কেস ১০০ হেন্না থেংনখ্রে



বৈজিং, জুলাই ২৯, (এজেন্সি) :
চাইনিজ মেনলেন্দদা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা কনফার্ম তৌরবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ১০১ থেংনবগী রিপোর্টশিং ফংলে হায়না চাইনিজ হেল্থ ওথোরিটিনা য়ুমশাকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

অনৌবা কেসশিং অদুগী মনুংদা লোকেল ট্রান্সমিসনগী কেস ৯৮নি অমসুং ৩না মপানদগী পুশিল্লকপা কেসশিংনি। লোকেল ট্রান্সমিসনগী কেস ৯৮ অদুগী মনুংদা ৮৯দি সিনজিয়াং উইগুর ওটোনোমস রিজনদগীনি, ৮না লাউনিং প্রোভিন্সতগীনি অদুগা কেস অমনা বৈজিং ম্যুনিসিপালিটিদগীনি হায়না নেসনল হেল্থ কম্মিসনগী রিপোর্টনা ফোঙদোরক্লি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লায়না অসিগা মরী লৈননা মী শিবগী রিপোর্ট লৈখিদে। কোভিদ-১৯ পেসেন্ট ১০ লায়েংবদা ফবদগী হোস্পিটালশিংদগী নৌনা দিসচার্জ তৌখ্রে হায়না কম্মিসননা ফোঙদোকখি। লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবদা হৌজিক হৌজিক লায়েং চথরিবা পেসেন্ট ৪৮২ য়াওনা মেনলেন্দগী কনফার্ম তৌরবা কোভিদ-১৯ কেস পুন্না ৮৪,০৬০ য়ৌখ্রে। লায়েংলিবশিংগী মনুংদা পেসেন্ট ২৫গী ফিভম লুনা লৈ হায়রি। মেনলেন্দদা নাবা ফরদুনা মীওই ৭৮,৯৪৪ দিসচার্জ তৌখ্রে অমসুং মীওই ৪,৬৩৪না লায়না অসিনা মরম ওইদুনা শিখ্রে হায়রি।

# য়ু এসকী ষ্টেট ৬তা রেকোর্দ ওইবা চাংদা কোভিদ-১৯না মী শিহল্লে



ৱাশিংটন, জুলাই ২৯, (এজেন্সি) :
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী খা অমসুং নোংচুপ থংবা ষ্টেট ৬তা নোংমদা থোকপা কোভিদ-১৯ মীশিশিং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা রেকোর্দ ওইবা চাংশিং ওইখিবগা লোয়ননা টেক্সাসকী পোজিটিভ কেস মশিং লাখ ৪ হেনখ্রে। কার্লিফোর্নিয়াগী হেল্থ ওফিসলশিংনা ষ্টেট অসিগী কেস তঙ্খাই অমা হেন্না লেটিনোশিংনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অরকান্সাস, কার্লিফোর্নিয়া, ফ্লোরিদা, মোন্টানা, ওরেগোন অমসুং টেক্সাসনা রোকোর্দ ওইবা চাংদা কোভিদ-১৯ মীশিশিং রিপোর্ট তৌখি। এজেন্সীগী টেলি অমগী মতুং ইন্না য়ুনাইটেদ ষ্টেটতা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পুন্না মীওই ১৩০০ হেন্না শিখি। মসি হৌখিবা মেদগী হৌজিক ফাওবদা থেংনবা নোংমদা থোকপা খ্বাইদগী য়াম্বা মীশিংগী মশিংনি।

কার্লিফোর্নিয়াগী হেল্থ ওফিসলশিংনা হায়খি মদুদি, য়ু এসকী খ্বাইদগী মীশিং য়াম্বা ষ্টেট অসিগী অপুনবা মীশিংগী শরুক অহুম থোকপগী অমদগী খরদমক হেল্লিবা লেটিনোশিংনা অপুনবা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সনগী চাদা ৫৬নি অমসুং শিখিবশিংগীনা চাদা ৪৬নি। লেটিনো পোপুলেসন ৱাংবা সেন্ট্রেল ভেল্লিগী লৌউ-শিংউগী লমদমদা পোজিটিভ কেসশিং মশিং ৱাংলকপগা লোয়ননা লমদম অদুগী হোস্পিটালশিংদা পেসেন্টশিং চন্দ্রে হায়রি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ পেসেন্ট ১৭১ শুখি। সাউদর্ন ষ্টেট ফ্লোরিদাদা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা কোরোনাভাইরসনা মরম ওইদুনা মীওই ১৯১ শিখ্রে হায়না ষ্টেট হেল্থ দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখি।

টেলি অসিগী মতুং ইন্না নিংথৌকাবা নুমিৎতা টেক্সাসতা অনৌবা কেস ৬,০০০ হেন্না দিটেক তৌখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী অপুনবা কেস মশিং ৪,০১,৪৭৭ য়ৌখ্রে। শুপ্নগী ষ্টেট ৩ হায়বদি কার্লিফোর্নিয়া, ফ্লোরিয়া অমসুং ন্যু য়োক্না কেস ৪,০০,০০০ হেন্না লৈ হায়রি।

# ইটলিদা কোরোনাভাইরসকী ইম্মর্জেন্সি ওক্টোবর ১৫ ফাওবা শাংদোকখ্রে


রোম, জুলাই ২৯, (এজেন্সি) :
ইটলিদা কোরোনাভাইরস লাইচৎ লাকশিন্নবা চৎনহল্লিবা ইম্মর্জেন্সি ওক্টোবর ১৫ ফাওবা শাংদোক্ল গনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর গিয়ুসেপে কোন্তেনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ইটালিয়ন সিনেটতা লাউথোকখ্রে।

হৌজিক চৎনরিবা ইম্মর্জেন্সি অদু ইরাই নুমিৎতা লোইগদবনি। কোরোনাভাইরস লাইচৎনা নেসনল হেল্থ সার্ভিসতা পীবা চৈথেং শীংথানিংঙাই ওইনা হন্থরকপা উরিবসিনা ঐখোয়বু পুক্লিং থৌগৎলি। তৌইগুম্বসুং লৈরিবা ইনফেক্সনগী দেটা অসিনা হৌজিকসু শাথিরবা ভাইরস অসি লৈবাক অসিদা লেপ্তুনা শন্দোক্লি হায়বগী ইনগিৎ পী হায়না কোন্টেনা ফোঙদোকখি।

লাইচৎ লাকশিন্নবগীদমক্তা ইম্মর্জেন্সি চৎনহনবা অসিনা ওগর্ণমেন্ট ওফিসলশিংদা অনৌবা কোরোনাভাইরস লাইচৎশিং য়াম্না থুনা নমথবা য়ানবা টেম্পরেরি পাৱর পীবগা লোয়ননা ইম্মর্জেন্সি ফন্দিং লাউথোকপা ঙমহল্লি।

ইম্মর্জেন্সি চৎনহনবা অসিদা লম কোয়বগী অকক্লবা অথিংবশিং থম্বা অমদি মীয়াম্বু সোসল দিষ্টেন্সিং অমসুং মাস্ক উপ্পগী তঙাইফদবশিং ইলহনবসু য়াওরি। ইম্মর্জেন্সি শাংদোকপা অসিনা গভর্ণমেন্টপু মতম চুপ্পদা মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈহন্দুনা ফিভম ফৎচিল্লক্তবা মতমদা য়াম্না থুনা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎপা ঙমহল্লি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি। ইটালি অসি কোরোনাভাইরসনা খ্বাইদগী চৈথেং চাওনা পীবা য়ুরোপকী অহানবা লৈবাক্লি।

# রাফেল জেটশিংনা ইন্দিয়াগী ঙাক শেনগী ফিভমদা অহোংবা লাকহল্লগনি : হোম মিনিষ্টর অমিত সাহ





ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৯, (এজেন্সি) :
মল্টি-রোল রাফেল ফাইটর জেটশিংনা লৈবাক অসিগী ঙাক শেনদা হোংবা লাকহল্লগনি হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুমশাকৈশাগী নুংথিলদা হরিয়ানাগী অম্বালাদা লৈবা আই এ এফ কী এয়র বেজদা রাফেল ফাইটর এয়র ক্রাফ মঙা থুংলরবা মতুং ঙাইহাক্কী মনুংদা হোম মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। অমিত সাহনা হায়খি মদুদি, অনৌবা জেনরেসনগী রাফেল জেটশিং শীজিন্নবা হৌবা অসিনা ইন্দিয়ন এয়রফোর্সপু লৈবাক অসিগী নোংথক ঙাক শেনবা অমসুং শীংনবা খুদিংমক মায়থীবা পীবা ঙমহল্লগনি।

ত্বিটর মেসেজ অমদা মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি, রাফেল জেটশিংনা ঐখোয়গী লৈবাক্কী লৈমায়দা তারকখিবা নুমিৎ অসি মতিক ময়াই লৈরবা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী ওইনা পুৱারীদা য়েক্তুনা লৈহৌরগনা নুমিৎ ওইরগনি। লোয়ননা ইন্দিয়াগী ওইনা চাওথোকচনিংঙাই ওইরবা নুমিৎনি।

রাফেল জেটশিংবু মালেমগী খ্বাইদগী মতিক ময়াই লৈরবা মেছিনশিংনি হায়না শীংথারদুনা অমিত সাহনা হায়খি, ফাইটর জেটশিং অসিনা নোংথক্তগা শীংনরকপা খুদিংমক অরেম্বা তাহনবা ঙম্মী। টেক্নোলোজিদা শীংথানিংঙাই ওইনা খুৎমাং চাওশিল্লবা রাফেলনা ঐখোয়গী এয়র ৱারিয়রশিংবু লৈবাক অসিগী নোংথক্কী শরুকশিং ঙাক শেনবদা মতেং পাংলগনি। মথংগী জেনরেসনগী ওইবা ফাইটর প্লেনশিং অদু লৈবাক অসিগী এয়র ফোর্সনা শীজিন্নবা হৌরিবা অসিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ইন্দিয়াবু মতিক ময়াই লৈবা অমসুং সেক্যুয়র ওইবা লৈবাক অমা ওইহনবগী ফিরেপ অদু থবক্তা ওন্থোরকপগী খুদম অমা ওইরি।

মোদি গভর্ণমেন্টদা ইন্দিয়াগী ঙাক-শেনগী কেপেবলিটিশিং শেমগৎ শাগৎপগী অচেৎপা ফিরেপ লৈ। মমাঙদা উখিদ্রিবা পাঙ্গল ঐখোয়গী আই এ এফতা ফংহনবগীদমক ঐহাক্না ইকায় খুম্ন নিংঙাই ওইরবা প্রাইম মিনিষ্টরবু থাগৎলি হায়না হোম মিনিষ্টরনা মখা তাখি। খোঙজেল য়াংবদগীনা খুৎলায়গী কেপেবলিটিশিংগী মতাংদা রফেলনা অতৈ ফাইটর প্লেনশিংদগী য়াম্না মাংজিল থানা লৈ হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# ইন্দিয়া অমসুং চাইনানা বোর্দরদগী ট্রুপ হন্দোক্লবগী ৱাফম লুনা লৈরি





ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৯, (এজেন্সি) :
ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী মরক্তা লৈরিবা য়েৎনরিবা মফমশিংদগী ট্রুপশিং হন্দোক্লবগী ৱাফম হৌজিকসু লুনা লৈরি হায়রি।

লৈবাক অনীগী মরক্তা ট্রুপ হন্দোক্লবগী মতাংদা ৱারী শান্নখিবদা য়ান্নখিবগী মতুং ইন্না চাইনাগী পিপলস লিবরেসন আর্মিনা মখোয়গী ট্রুপশিং ৱিথদ্রো তৌবা লৈখিদে হায়না ইন্দিয়ানা ক্লেম তৌরি। অমরোমদা চাইনানদি য়েৎনরিবা মফম অয়াম্বদা ট্রুপ হন্দোক্লবগী থবকশিং মপুং ফানা লোইশিল্লে হায়রি।

বৈজিংদা চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপার্সন ৱাং ৱেনবিননা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখিবদা ট্রুপ হন্দোক্লপগী থবক মপুং ফানা লোইরে। লৈবাক অনীগী মিলিটরি রিপ্রাজেন্টেটিভশিংনা অমুক হন্না উনদুনা য়েৎনবা লৈরিবশিং ৱারোইশিন পুরক্লবা থৌরাং তৌবা লৈখ্রবনি।

চাইনানা ট্রুপ দিপ্লোই তৌবগা চান্নবা ইন্দিয়ানসু য়েৎনরিবা মফমশিংদা ট্রুপ ৩৫,০০০ হেন্না দিপ্লোই তৌখ্রে। ইন্দিয়ন আর্মিনা হৌজিক অৱাংবা অলটিট্যুদকী লমদম অদুদা নীংথম থাগী শাংলবা মতম লেন্নবগীদমক্তা শেম শারি হায়রি।

ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী চাইনিজ ট্রুপশিং য়েৎনরিবা মফমশিংদগী হন্দোকপা লৈতে হায়না ফোঙদোরক্লি। গোগ্রা, পাংঙোং পাৎ অমসুং দেপসাংগী গ্রাউনগী ফিভমদা হৌজিকসু শীংথানিংঙাই ওইনা অহোংবা লৈত্রি। পেট্রোল পোইন্ট ১৭ এগী শরুক ওইরিবা পাংঙোং পাৎ অমসুং হোটস্প্রিংস-গোগ্রা এরিয়াদা হৌজিকসু ট্রুপশিং হন্দোক্লন্দনা উংখৎনদুনা লৈরি হায়বা য়াই। পাংঙোং পাৎকী মপানদা লৈবা ফিঙ্গর ৪অমসুং ৫দগী চাইনিজ ট্রুপশিং ৱিথদ্রো তৌখ্রবসু মখোয় হৌজিকসু চীংমায়গী শরুক খরদা মখা তানা লৈরি। তশেংনমক হায়রবদা চাইনিজ ট্রুপশিংনা ফিঙ্গর ৫ অমসুং ফিঙ্গর ৮গী মরক্তা লৈরিবা মখোয়গী পোজিসনশিং চেৎশিনহনখ্রে। চাইনানা জুলাই ৪দা কোর কম্মান্দর লেভেলগী মীফমদা য়ানখিবা মপুং ফানা ট্রুপশিং লৌথোকপগী রোদমেপ ঙাকত্রে। পি এল এগী ট্রুপশিং হন্দোকপা লৈতে হায়রি।

ইন্দিয়ন সিক্যুরিটি ইষ্টাবলিসমেন্টনা ফোঙদোকখিবদা চাইনিজ ট্রুপশিংনা য়েৎনরক্লিবা মফমশিংগী খরমখৈ হন্দোকখিবা লৈরবসু মখোয় অমুক হল্লকখি। মরম অদুনা ইন্দিয়ন অমসুং চাইনিজ মিলিটরি টিমশিংগী মরক্তা য়ানখিবা ৱাফমশিং চপ চানা ইল্লিব্রা হায়বসি লেপ্তুনা ভেরিফিকেসন তৌবা চংলি। চাইনানা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা এল এ সীগী ষ্টেটস কোদা অহোংবা লাকহন্দুনা ইন্দিয়াগী লম শরুক্তা চঙশিল্লকখিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়ানা লেভেল খুদিংমক্তা চাইনাদা প্রোটেষ্ট তৌখি।

# কেরলাগী স্কুলশিংদা অরাবিক তম্বীবদা ভিস্বা হীন্দু পরিষদনা য়ানিংদবা উৎখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৯, (এজেন্সি) :
ট্রাভানকোর দেভাস্বোম বোর্দকী মখাদা লৈবা স্কুলশিংদা অরাবিক লোল তাকপী তম্বীনবগীদমক্তা ওজাশিং হাপখিবগী মতাংদা ভিস্বা হীন্দু পরিষদ (ভি ঐচ পি)না য়ুমশাকৈশা নুমিৎতা কেরালা গভর্ণমেন্টপু চৈ থাংখ্রে।

ভি ঐচ পিনা মমাঙদা বোর্দ অসিবু লেফ গভর্ণমেন্টকী ইথিল চংই হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। ট্রাভানকোর দেভাস্বোম বোর্দ অসি ট্রাভানকোর কোচিন হীন্দু রিলিজস ইনষ্টিট্যুসন্স এক্ট ১৯৫০গী মখাদা শেমখিবনি। বোর্দ অসিগী মেম্বর ৩ লৈবগী মনুংদা মেম্বর ২দি কেরলাগী কাউন্সিলস ওফ মিনিষ্টর্সকী হীন্দুনা মেম্বরশিংনা খল্লি। অহুমশুবা মেম্বর অদুনা ষ্টেট অসিগী লেজিসলেটিভ এসেমব্লী হীন্দু মেম্বরশিংনা খল্লে। মরম অদুনা মেম্বর অহুম্মক রুলিং পার্টিগী নোমিনিশিং ওইবা য়াই হায়না ভি ঐচ পিগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট অলোক কুমারনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি মদুদি, অরাবিক অসি ইন্দিয়াগী লোল নত্তে। লোল অসি লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসনগী লোলশিংগী সেদ্যুলদা য়াওদে। লোল অসি হোলি কুরান পানবা, খঙনবা অমসুং নীংশিংনবগীদমক তম্নবনি। অরাবিক লোল তাকপী তম্বীবা হায়বসি হীন্দুশিংগী লাইনিং-লাইশোন অমসুং চেরিটিগী পান্দমশিংগা চান্নদে হায়খি।

# টেলঙ্গনাগী কোভিদ-১৯ পেসেন্ট চাদা ৪৫ হেন্না চহী ২১-৫০গী মনুংদা লৈ

হায়দ্রবাদ, জুলাই ২৯, (এজেন্সি) :
টেলঙ্গনাদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওইশিংগী চাদা ৪৫ হেন্না চহী ২১ অমসুং ৫০গী মরক্তা লৈ হায়বসি ওফিসল ষ্টেটিসটিক্সনা উৎখ্রে।

হেল্ঠ ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা টেষ্টতা পোজিটিভ ওইরম্বশিংগী চাদা ৬৫.৭দি চহী ২১-৫০গী গ্রুপ্তা লৈবশিংনি। মসিনা শুপ্নগী চহী ৬০ হেল্লবশিং অমসুং চহী ১০গী মখাদা লৈবশিংনা হেন্না লায়না অসিনা খ্বাইদগী হেন্না শোকনিংঙাই ওইবা হায়বা ক্লেম অসিবু অরানবা ওইহল্লি।

পোজিটিভ ওইবা অপুনবা টেলিগী চাদা ৪৭.১না চহী গ্রুপ ২১-৪০গী মনুংদা লৈবা মীওইশিং ওইখি অমসুং চহী ৪১ অমসুং ৫০গী মরক্তা লৈবা মীওইশিংনা পোজিটিভ ওইবশিংগী চাদা ১৮.৬ ওইখি। চহী গ্রুপ ৯গী মনুংদা চহী ৩১ অমসুং ৪০গী গ্রুপ অসিনা লায়না অসিনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহন্দুনা অপুনবা কেসকী চাদা ২৫ ওইরি।

টেলঙ্গনা হায় কোর্টকী দিরেক্সনদা ষ্টেট হেল্থ ওথোরিটিশিংনা রিলিজ তৌবা অকুপ্পা মিদিয়া বুলেটিননা পোজিটিভ ওইবা মীওইশিং চাদা ১৪.৭ চহী ৫১দগী ৬০ ফাওবগী গ্রুপ্তা লৈ হায়বসি উৎখি। ভাইরস অসিনা শোকহল্লবা মীওইশিংগী চাদা ১০.৯না চহী ৬০গী মথকশিং ওইখি।

# টামিল নাদুগী গভর্ণর সেল্ফ-আইসোলেসন তৌখ্রে



চেন্নাই, জুলাই ২৯, (এজেন্সি) :
রাজ ভবনগী ষ্টাফর অহুম কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরম্বদগী টামিল নাদুগী গভর্ণর বনৱারিলাল পুরোহিত মেদিকেল এদভাইসতা নুমিৎ ৭নি নাইটোম ওইনা লৈনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা চেন্নাইদা লৈবা রাজ ভবনগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন দিটেক্ট তৌনবা মীওই ৩৮ টেষ্ট তৌখিবদা মীওই অহুম পোজিটিভ ওইরম্লে। মীওই অহুম অদু লায়েং চথনবগীদমক্তা হোস্পিটালদা পুখৎখ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা রাজ ভবনগী মেদিকেল ওফিসারনা পুরোহিতবু রেগ্যুলর হেল্থ চেক-অপ পাঙথোকখি অমসুং মহাক হকচাং ফনা লৈরম্বা থেংনখি। অদুম ওইনমক দোক্তর অসিনা মঙোন্দা নুমিৎ ৭নি নাইতোম ওইনা লৈনবা পাউতাক পীবদগী মহাক্নসু নাইটোম ওইনা লৈনবগী ৱারেপ অসি লৌখিবনি।

হৌখিবা জুলাই ২৩দা রাজ ভবনদা পোষ্টিং তাবা সিক্যুরিটি অমসুং ফায়র সার্ভিস পর্সনেলশিং য়াওনা মীওই ৮৪ কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখিবগা লোয়ননা মখোয় ক্কারন্টিন তৌখি।

থবক তৌরিবা মীওই খরা কোভিদ-১৯গী লায়ওংশিং উৎলকপদগী মীওই ১৪৭ টেষ্ট তৌখি হায়না রাজ ভবননা ফোঙদোকখি।